# ‘ৰিমেন কম্মিসনগী কেসশিংদা অয়েৎপা পীবিগনু’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ৰিমেন কম্মিসননা তৌরিবসি নুপীশিংগী ৰাকৎ তাদুনা থিজিল্লবা মতুংদা অচুম-অরান পুথোকপনি। অদুনা কম্মিসনদা চঞ্চবা কেসকীদমক থিজিনবা হোৎনরিঙৈদা অয়েৎ-অপন পীবিগনু, মীয়াম্না মতেং পাংবিদুনা ৰারোইশিন পুরকপা ঙমহনবিয়ু হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৰিমেননা ফোংদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা কম্মিসন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৰিমেনগী চেয়রপার্সন থুমলিপ টিনিংফম মোনশাংনা হায়খিবদা, কুমজা ২০১৯দা নুপা অমনা মাগী নুপী ওইরগদবনি হায়বগী অচৌবা নমথাক অমা তৌবিবগী মতাংদা নুপী অমনা ৰাকৎ অমা থাঙ্গৎলকপদগী কম্মিসননা থিজিনবা হৌরক্লুনা লোইশিন্দ্রিঙৈদা লোয়র অমনা কেস অসি ৰিমেন কম্মিসননা পায়গদবা নত্তে হায়না হায় কোর্টতা রিট পিটিসন অমা থারকখি। মসিনা মরম ওইরগা কেস অসিগী অচুম-অরান থিজিনবগী থবক অদু লেপ্পুনা লৈরুরে। অদুবু কম্মিসনগী মায়কৈদগী নুপীমচা অসি য়াওনা অমুক পিটিসন থাবদগী হৌজিক ৰিমেন কম্মিসননা কেস চঞ্চবা য়ারগনি হায়না হায় কোর্টনা রাই তারকখিবনি। মরম অদুনা কেস অসিগী মতাংদা হৌজিক অপনবা লৈতনা অচুম-অরান থিজিন্নবা হোৎনরগনি। নুপীমচা অসিদা নমথাক তৌবিরম্বদগী ৰাকৎ চেরোল লাকপগী মতুংইন্না কেস নম্বর ২৬, ২০১৯ দগী চঞ্চবা হৌখিবনি। অদুবু কেস অসি ৰিমেন কম্মিসননা পায়গদবা নত্তে হায়বগী নুপা অদুগী মায়কৈগী লোয়রনা হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবদগী ২০২২ য়ৌরবা ফাওবদা ৰারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাকপা অদু হায় কোর্টকী অয়াবা লৈরবা মরম্না অথুবদা লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়খি।

# ‘এম এল এ ওইনি ওইরোইখঙদবশিংনা ওইদবা ঙাঙলিবসি ইকাইনিংঙাইনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): এম এল এ ওইনি ওইরোই খঙদবা, মীয়াম্না থাগৎকনি থাগৎলোইসু খঙদবা নৌনা থোরক্লিবা মীরেপশিংনা ওইদ-পাদবা কয়া ঙাঙ-শক্লিবশিং অসি ইকাইনিংঙাইনি হায়না খুরাই এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা ফোংদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি খুরাই পোপ্যুলর হায় স্কুলদগী খুরাই সাজোর লৈকায় ফাওবা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমবু লুচিংখিবা এল সুসিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক মচা তাদবা, মওং তাদবা ৰাঙাঙ কয়া অমা ঙাঙলগা ভোট ফংগদবা নত্তে। পোলিটিক্স তৌবিয়ু, মীয়াম্না নুংশিনবা হোৎনবিয়ু, মীয়ামগীদমক্তা ভোট লেপ্লিবনি হায়বদু খঙহল্লগা ৰা ঙাঙবিয়ু।

খুরাই মীয়াম নুংঙাইহন্দবা য়াদে হায়বগী ৰাখলদা এম এল এ ওইগে হায়দুনা ভোট লেপ্পনি। লন্নাইগী খল্লগা ভোট লেপ্পা মীওইশিংদা মীয়াম্না ভোট পীবিগনু। কোভিদ লায়না লাইচৎকী মতমদা খুরাই এ সীখক্কী নত্তনা মণিপুর মীয়ামগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। কোভিদ লাইচৎ অমুক হন্না লাক্লবসু মীয়ামগী থৌদাং লৌবা ঙম্নবা মীয়াম্না অমুক্কা হন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# পুয়াগী দিপার্টমেন্ট অমা হাংহনবা পামজে : মেঘেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী খুন্নাইগী লৈজরক্লবা পুয়া হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মরম অদুনা এম য়ু নৎত্রগা দি এম য়ুদা অখন্নবা পুয়া নৈনবগী দিপার্টমেন্ট অমা হাংবা পামজৈ হায়না আর কে মেঘেননা ফোংদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি অপূনবা খোরিরোলগী মালেমগী লূপনা শীন্দুনা শীংজমৈ মখা খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈবা তোয়াইমা মাপে দাপতা পাঙথোকখিবা দল্লিয়ু অমুচৌনা ইবা ‘পন্দুপ পন্দুপ’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ফোংবগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

# কাঙলোন চুম্না ভোট তৌবিয়ু : ৰাই এম ও

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল অসি কাঙলোন চুম্না তৌবিয়ু হায়না য়ং মণিপুরিজ ওর্গনাইজেসন (ৰাই এম ও)না মীয়ামদা অপীল তৌরক্লি।

ৰাই এম ওগী প্রসিদেন্টকী চেরোল অমনা, পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা তৌবিয়ু, ঈ সী আইগী কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপিয়ু, শেল য়েনবশিং মীয়াম্না ফাবীয়ু, য়ু অমদি চাক তৌবিগনু, মণিপুর কনবা ঙমগদবা মীদা ভোট পীবিয়ু, খৎন-চৈনবা তৌবিগনু, লৈবাক মচা তানা ভোট তৌবিয়ু, মণিপুর থুগাইগুমসি, গেংষ্টরগী মওংদা ভোট তৌবিগনু, দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ভোট থাদবিয়ু হায়বনচিংবা কয়া ফোংদোরক্লি।

# লোক্তাক্কী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): হ্যুমেন ফুটপ্রিন্ট্স ওন দ লোক্টাক লেক হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কনফরেন্স অমা বাইওদাইভর্সিটি, ইকোলোজি এন্দ ইনভারনমেন্ট নেটৱার্ক (বীনেট) মণিপুরগী ১৫শুবা মপোক কুমওনগা লোয়ননা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা প্রিসিদিয়ম ওইখিবা এম য়ুগী জুলোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইবতা নত্তনা বীনেট মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা প্রো. এন মোহিলাল মৈতৈনা হায়খিবদা, লোক্তাক্কী লৈজরিবা মচাকশিং অসি পাৎ অসিবু শৈথাবা ৰারী, শৈরেং অমদি ইশৈনচিংবদগীখক নত্তনা তোঙান-তোঙানবা থিজিনলোয়শিংদগীসু খোমজিন তাশিন দুনা থমহৌনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

বীনেট মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ভুবোননা হায়খিবদা, হৌজিক অসি তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা লমদমসিগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা শক্তম কয়াবু মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনবা তঙাই ফরক্ত্রবা মতম্নি। মতম অমদা লৈরম্বা লোক্তাক পাৎকা লোয়নরক্লবা শক্তমশিংগী মনুংদা উচেকশিংনা চাক্তাবা অমদি ঙা মখল কয়া লৈবা অসিনা পাৎ অসিগী মতীক ময়াই ওইদুনা লৈরক্লিবনি। অদুনা তুরেলশিংদা অমোৎ অকায় লংথবসিসু তৌবিগনু, মীয়াম্না পূন্না কনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা মুতা, এময়ুগী প্রসিদেন্ট অমসুং বীনেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রো. দেবানন্দসু প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

# য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লেপ্তুনা তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লুপ কয়ানা হোম অসিবু নুংশিবিদুনা লেপ্তুনা তেংবাং পীনরক্লি হায়না হোমগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা জন্যুৱারী ২৯দা খোংমন জোন-৩ ৱেষ্টতগী খুমনলম্বম সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, য়াইফবি এস ঐচ জি, লনচেনবী-১ এস ঐচ জি, অনৌবা সেলমিৎলোন এস ঐচ জিনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ২, য়েরুম প্লেট ২, হৱাই কেজি ৫, তিলহৌ কেজি ৩ পীবিরম্মী। নুমিৎ অদুমক্তদা খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী লাইতোঞ্জম রাজমনিনা চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, হৱাই কেজি ৩০, য়েরুম প্লেট ২ অমসুং ষ্টেসনরি আইটেমশিং পীবিরম্মী। জন্যুৱারী ৩১দা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়ৎকী প্রধান পুখ্রম্বম সুরবালা দেবীনা অঙাংশিংগীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ২, আলু বেগ ১, বিস্কিট বোক্স ১, মাস্ক পেকেট ১২, হেন্দ সেনিটাইজর বোটল ১৫ পীবিরম্মী। ফেব্রুৱারী ২দনা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক মচিনদগী য়েংকোকপম সান্তবাই দেবীনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ ১, য়েরুম প্লেট ৩, অচাথাউ লিটর ৫, থুম, মোরোক, ঙারি, তিলহৌ, সর্ফ, বিস্কিটনচিংবা পীবিরম্মী। ফেব্রুৱারী ৫দা পোরোম্পাৎতা লৈবা খৃষ্ট্যানো রোনালদো-৭ ইজ মাই লাইফ, মণিপুর কৌবা লুপনা খৃষ্ট্যানো রোনালদো-৭কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চাক্লেন পীজরম্মী।

ফেব্রুৱারী ৮দনা চিংমৈরোং তাংখুল এভেন্যুদগী রাজকুমার সেটুসনানা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মচানুপা চিংখৈঙানবা রাজকুমারগী লৈখিদবা অনীশুবা থাগী নিংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক য়েরুম প্লেট ১, কেক, ষ্টেসনরি আইটেমশিংনচিংবা পীবিরম্মী, নীংশিং নুমিৎকী থৌরম অদুদা য়াওবা পুংদোংবমদগী ইরুংবম ওংবী জেনা লুপা ৫০০, কামজোং নম্বিসাদগী ইসোনেল কামোদনি লুপা ৫০০, চিংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দগী রাজ কুমার বিরজিৎ লুপা ১০০০, তরেৎখুলদগী সাইরেম মনোসনা লুপা ৫০০, চিংমৈরোং তাংখুল এভেন্যুদগী আরতিসনা রাজকুমারি লুপা ৫০০, চিংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দগী রাজকুমার অঙৌসনা লুপা ১০০০, লৈকায়সিদগী রাজ কুমার দিপক লুপা ১০০০ অমদি কৈশাম্পাৎতগী মুতুম নিকিনা লুপা ৫০০ মতেং পাংবিরম্মী। নুমিৎ অসিমক্তদা খোংমন ওক্রম চুথেক্তগী খুমুজম লমজিংবনা মাগী চহী ২৮ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চেঙ বেগ ১, মীতৈ চেঙ কেজি ২০, আলু কেজি ৩৩, অচাথাউ লিটর ৬, মোরোক কেজি ৩, চনম কেজি ১০, *...মথং মথং*

# আর পি এফনা হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াগা ৱারী...

*লমায় ৫গী মখা...* ঐখোয়গী মণিপুরগীসু লৈঙাক্না পুথোক্লিবা শিখিবা মীগী মশিং অসিদগী হেন্না শিরমগনি হায়না ময়াম্না ঙাঙনদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী ওইনা লাইচৎ অসিগী ময়াই খরা চমথরক্লিবা অসি য়েংলগা ঐখোয়না চেকশিন্দবগী মওংদা লৈথোকপা চুক্লোই। অপীকপা ফুরুপ ঐখোয়গীদি অমুক্কা হেন্না চেকশিন্দবা য়াদবনা ইশানা ইশাবু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকচনবগীদমক অখঙ-অহৈশিংনা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎপা অসি য়াম্না মরু ওই। লৈঙাক্কসু লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগীদমক মতীক চাবা চৎন-কাঙলোনশিং শেমদুনা মীয়াম্বু লমজিংবা ঙম্নবসু হোৎনবা তাই। ‘জিরো কোভিদ পোলিসি’ চঞ্চদুনা অকনবা মওংদা লাইচৎ অসি থেংনরিবা চাইনাদা ফাওবা লাইচৎ অসি লেপ্তুনা শন্দোরকপদগী হন্দক্তসু জি’আনদা মীওই লিশিং অনীরোম নাহল্লকখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রবনি। অদুবু মখোয়গীদি লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং মাঙজৌননা শেম শাদুনা লৈবা অমদি শন্দোরক্লবা ফাওবদা লৈবাক্কী থৌশিল মতীক চানা লৈবনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা মীওই অমত্তা শিহন্দনা লাকশীনবা ঙমখি। অদুবু ঙসি ঐখোয়গী মণিপুরদদি ৱেষ্টর্ন দিমোক্রেসিগী ৱাখল-মীৎয়েং লৌরগা লাইচৎ অসি থেংনরিবা ইন্দিয়নশিংগী মতুং ইল্লকখিবনা নোংম-নোংমগী ফিভম শোকচিল্লকপগী মওংদা লৈরি। মতাং অসিদা ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবদি ৱাখল লৌশিং খ্বাইদগী হেল্লি হায়না লৌনরিবা য়ু এসতা লাইচৎ অসিনা মীওই লাখ ৯গী মথক্তা শিহনখ্রবনি। লৈবাক মচা তাবা খুন্নাইনি হায়নরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদসু লাইচৎ অসি মায়োক্লবা ঙমদবদগী ফিভম শোক্লা লৈরিবা ঐখোয়না উরবনি। ‘মাই বোদি মাই চোইস’ হায়দুনা ভেক্সিন কাপ্পগী মায়োক্তা ঈহৌ শাগৎপতা নত্তনা মচাশিংবু মনীং তম্না নীংশা শ্বর হোলহল্লু হায়না মাস্ক উপহন্দবগী ৱাখল্লোনবু চুম্মী হায়না লিবর্টিগী ৱাহন্থোক হল্লিবা মীয়ামগী মতৌ ঐখোয়না তমদুনা লৈরবদি লাইচৎ অসিনা ঐখোয়বু চাশীল্লকপা অসুম-অসুম হেনগৎলক্কনি। চাইনাগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংবু দিটেন্সন সেন্টর ওইনা উবা, লোকদাউন অমদি ষ্ট্রিক্ট রেগুলেসনশিংবু হ্যুমেন রাইট্স ভাইওলেট তৌবনি হায়না লৌরিবা ৱেষ্টর্ন সিভিলাইজেসননা লাইচৎ অসি মায় পাক্না থেংনরিবা চাইনাবু নম্ফু লৈঙাক চঞ্চবননি হায়না হুল্লবসু মখোয় মশাগী মীয়াম্বু লাইচৎ অসিদগী কন্নবা চপ-চাবা থৌরাং অমত্তা পায়খৎপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু মখোয়গীদি লাইচৎ অসিনা শাফু কন্না লান্দারক্লবসু থেংনবা ঙম্নবগী পান্থেশিং মতীক চানা শেমগৎপা ঙম্মী। অমসুং অচৌবা ফুরুপশিং ওইবনা মীওই খরা লৈখিদ্রবসু খুন্নাইগী ওইনা শোন্থহনবা লৈরোই। অদুবু মশিং য়ামজদবা ফুরুপ ঐখোয়গীদি মীওই খরতা ওইরবসু লৈখিদবদা খুন্নাইগী অমাঙবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা করম্বা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলগা মায় পাক্না লাইচৎ অসিবু থেংনরি হায়বা লৈবাকশিং অদুগী মতৌ তমদুনা লাইচৎ অসি থেংনবা ঙম্নবা লৈঙাকপশিংনা চুংশিনমিন্নদুনা কন্না হোৎনবা তাই। মীয়াম্নসু লাইচৎ অসিগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংনা পীরিবা ইশাবু কঞ্জনবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্না চৎনবা অমদি ভেক্সিন কাপথোক্তুনা লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংবদা মালেমগী মীয়ামগা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবা অমুক্কা হন্না পাউজেঞ্জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি। *(লোইরবা)*

HL-P/1597/19,22&26

Format C – 1

*(for candidate to publish in Newspapers, TV)*

Declaration about criminal cases

(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 ( public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)

Name and address of candidate: KANGABAM JADU @ JADUMANI SINGH

CHARANGPAT MAKLANG AWANG LEIKAI.

PO & PS-THOUBAL, MANIPUR-795138

Name of political party: **JANATA DAL (UNITED).**

Name of Election: 12th Manipur Legislative Assembly Election 2022.

*Name of Constituency: **32 -- Wangkhem Assembly constituency**.

I, **Kangabam Jadu @ Jadumani Singh**, a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

(A) Pending criminal cases

| Sl.No. | Name of Court | Case No and dated | Status of case(s) | Section(s) of Acts |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Court of Chief Judicial Magistrate, Thoubal | FIR No. 84 (6) 2020 TBL- PS U/S 364-A/368/120-B and added 325/384 IPC and 27 Arms Act dated 09.06.2020 | Under Investigation | S. – 364-A IPC- Kidnapping for ransom,<br>S. – 368 – IPC - Wrongfully concealing or keeping in confinement, kidnapped or abducted person.<br>S. 120-B IPC - Criminal Conspiracy<br>S. 325 IPC - Voluntary causing of grievous hurt.<br>S. 384 IPC - Extortion.<br>S. 27 Arms Act |
| 2 | Court of Chief Judicial Magistrate, Thoubal | FIR NO. 21 (5) 2020 KJM – PS U/S 188/269/270/34 IPC dated 19.05.2020 | Under Investigation | S. 188 IPC - Disobedient to order duly promulgated by public servant.<br>S. 269- IPC – whoever unlawfully or negligently does any act likely to spread the infection of any disease dangerous to life<br>S. 270 IPC – Malignantly does any act likely to spread the infection of any disease dangerous to life.<br>S. 34 IPC - Acts done by several persons in furtherance of common intention. |
| 3. | Chief Judicial Magistrate, Imphal East | FIR No. 233 (10) 07 PRT-PS<br>U/S 17/20 UA (P) A. Act dated 19.10.2017 | police closed the case returned in FR vide F.R no. 11/PRT-PS/2017 dated 13/02/2017 insufficient Evidence | 1. Section – 17 UA (P) ACT -Raising funds for terrorist act.,<br>2. Section – 20 UA (P) ACT -member of terrorist gang or organisation; |

(B) Details about cases of conviction for criminal offences

| Sl.No | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | **Maximum Punishment Imposed** |
|---|---|---|---|
| | NIL | NIL | NIL |
| | NIL | NIL | NIL |
| | NIL | NIL | NIL |

*in the case of election council of State or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.